# দার্জিলিংদা পুলিস অমদি জি জে এমগী মরক্তা খুৎ থোক্লবদা ২ শিরে



দার্জিলিং, ওক্টোবর ১৩ (এজেন্সী):

দার্জিলিং হিলসতা ঙসি পুলিস অমদি গোর্খা জনমুক্তি মোর্চা (জি জে এম)গী ৱার্করশিংগী মরক্তা খুৎ থোক্লখ্রে।

পুলিসনা নোংমৈ কাপ্তুনা জি জে এমগী ৱার্করশিং তানখায়নবা হোৎনবদা জি জে এমনসু খুৎ হন্দুনা নোংমৈ কাপ্লকখি হায়রি। থৌদোক অদুদা পুলিস পার্সনেল অমা শিখি। জি জে এমনদি মখোয়গী মায়কৈদা মীওই মঙা শিরে হায়না ক্লেম তৌখি।

এদিসনেল দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস (লো এন্দ ওর্দর) অনুজ শর্ম্মনা হায়খি, নাকল অনী অকনবা মওংদা খুৎ থোক্লবদা সব-ইন্সপেক্টর অমিতাব মালিক লৈখিদ্রে। অশোক-অপন নংলবা ওফিসার অনী হোস্পিটালদা পুখত্তুনা লায়কন্নরি।

জি জে এমগী খুৎলাই থন্ফম অমদা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা এ কে-৪৭ এসোল্ট রাইফল তরুক, নোংমৈ মরু রাউন্দ ৫০০ অমসুং কন্ট্রিমেদ পিস্টোল অমা ফংখি। ক্রুদ বোম অমদি লোকল মেদ পিস্টোল কয়াসু লৈরম্বা থেংনখি। জি জে এমগী লূচিংবা বিমল গুরুং ফানবগী পান্দমদা থিবা হুম্বগী থবক অদু চথখিবনি হায়রি।

বিমল গুরুংগী অকনবা মফম ওইরিবা পটলিবাজ মনাক্কী তকবার এরিয়াদা ঙসি অয়ুক অঙনবদা পুলিসনা চিংনবা য়ুম অমদা থিবা হুম্বগী থবক চথখি। জি জে এমনা পুলিসতা অথিংবা হোৎনরকপদগী নাকল অনী খুৎ থোক্ল রকখিবনি। রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না পুলিস অমদি জি জে এমগী মরক্তা থোকখিবা খুৎ থোক্লবগী থৌদোক্তা মীওই কয়ামরুম শিরম্বা য়াই হায়রি। হৌজিকমক্কী ওইনা মীওই কয়া শিখ্রবগে অমসুং কয়া য়াম্না অশোক-অপন নংলবগে হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি।

জুন ১৫দগী জি জে এমনা চঙশিল্লকখিবা নুমিৎ ১০৪ শুরবা খোঙজং লোইশিনখিবদগী মমাঙ থাদা দার্জিলিং হিলসতা মহৌশাগী ফীভম হঞ্জিল্লকপা লৈখ্রবনি।

তোখায়বা গোর্খালেন্দ স্টেট অমা তাল্লিবা জি জে এমনা নাকল অহুমগী ওইবা ৱারী শানবগী থৌরম পাঙথোক্লুনা গোর্খা মীয়ামগী অপাম্বা ফংহন্নবা থৌরাং লৌখৎকদবনি হায়না সেন্ট্রেল গভর্ণ-মেন্টতা তকশিন্দুনা লাকখি।

চৈরকসিদা ৱেষ্ট বেঙ্গল পুলিসনা হায়খ্রে মদুদি, জি জে এমগী লূচিংবা বিমল গুরুংনা অৱাং নোংপোক্কী তোঙান তোঙানবা লালহৌলূপশিংগা মরী থম্নবগী খুদম ফংলে। গুরুংনা মাওইষ্ট লালহৌবশিং অমদি অৱাং নোংপোক্কী লালহৌলূপশিংদগী খুৎলাই কয়ামরুম লৈশিনখিবগী পাউসু ফংলে। মতম শাংনা লোত্তুনা লৈরকখিবা গুরুংনা ঙসি দার্জিলিং হিলসতা চঙলক্কবা হোৎনবদগী পুলিসকা খুৎ থোক্লখিবনি।

# সুপ্রিম কোর্টনা রোহিঙ্গাশিং খুদক্তা হলহনখিদনবা খঙহনখ্রে

ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ১৩ (এজেন্সী):

সুপ্রিম কোর্টনা ঙসি মরী লৈনবা খূদিংমক্তা রোহিঙ্গা মুস্লিমশিং হলহনখিবগী মতাংদা পাউখুম পীরক্কবা খঙহনখ্রে।

নবেম্বর ২১দা মখা তানা হিয়ারিং চথগনি হায়না পল্লদুনা এপেক্স কোর্টনা হায়খি, মথংগী হিয়ারিং চথদ্রিবা ফাওবা রোহিঙ্গা রেফ্যুজি অমত্তা হলহনখিনবা থৌরাং লৌখৎ-লোইদবনি। গভর্ণমেন্টনা রোহিঙ্গাশিং ম্যান্মারদা হলহনখিনবা থৌরাং লৌখৎলকপগী মায়োক্তা ফুরুপ অসিগী মীওইশিংনা থাঙ্গৎলকখিবা পিটিসন অমা চীফ জষ্টিস দিপক মিস্রানা লূচিংবা জজ অহুমগী বেঞ্চ অমনা হিয়ারিং চথরি।

চৈরকসিদা, বি জে পিগী প্রসিদেন্ট অমিত শাহনা হায়খ্রে মদুদি, রোহিঙ্গা মুস্লিমশিংগী মতাংদা কোংগ্রেসকী ভাইস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধী অমদি মহাক্কী পার্টিনা ময়েক শেংবা ফিরেপ অমা মীয়ামদা ফোঙদোকপা মথৌ তাই।

নেসনল মিদিয়া গ্রুপ অমনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা ৱা ঙাঙখিবদা অমিত শাহনা হায়খি, কোংগ্রেস লূচিংবা পি চিদম্বরম অমসুং সচি থরুরনা ঙরাং প্রাইম মিনিষ্টরনা অইবা চেরোল অমা পীশিন্দুনা রোহিঙ্গা মুস্লিমশিং ইন্দিয়াদা চঙলকপা য়াহনগদবনি হায়না ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি, ম্যান্মারগী রাখিন ষ্টেটতা মিলিটরিনা পাক শন্না ওপরেসন চথরকপদগী রোহিঙ্গা মুস্লিম কয়ামরুম ইন্দিয়াদা চেনশিল্লকখিবনি।


গভর্ণমেন্টনা রোহিঙ্গা মুস্লিমশিং ম্যান্মারদা হলহনখিনবা থৌরাং লৌখৎলকপগী মায়োক্তা ফুরুপ অসিগী মীওইশিংনা ফাইল তৌরকখিবা পিটিসন ওক্টোবর ১৩দা হিয়ারিং চথনবা সুপ্রিম কোর্টনা মতম লেপখিবনি।

লোগী মীৎয়েংদা পুখৎলকপা অর্গুমেন্টশিং হিয়ারিং চথগনি। অদুম ওইনমক পূক্নিং ৱাখলগী ওইবা ৱাফম ফোঙদোক্তুনা ইমোসনেল অর্গুমেন্ট তৌরকপা য়ারোই হায়না এপেক্স কোর্টনা ফোঙদোকখি।

চীফ জষ্টিস দিপক মিস্রানা লূচিংবা বেঞ্চ অমনা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্ট অমসুং রোহিঙ্গা মুস্লিম রেফ্যুজিশিংদা মরী লৈনবা চে-চাং অমদি ইন্টর-নেসনল কন্ভেন্সন পুম্নমক্কী ৱারেপশিং পীখৎলক্কবা খঙহনখি।

রোহিঙ্গা রেফ্যুজিশিংগী মায়কৈদা লেপখিবা সিনিয়র এদভোকেট ফালি এস নালিমানা হায়খিবনি মদুদি, কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ৩২না পীবা রাইট মতুং ইন্না লৈবাক অসিদা চঙজরক্কবা মীওইশিং মরৈবাক্তা হলহনখিবা মরম চাদে।

# বম্বুলা থিংবগী ৱায়েলদা অহোংবা লৈতে : কোর্ট



ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ১৩ (এজেন্সী):

লৈবাক্কী কোনুংদা বম্বুলা য়োনবা থিংবগী মতাংদা পীখিবা ৱায়েলদা অহোংবা অমত্তা লৈতে হায়না সুপ্রিম কোর্টনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

এপেক্স কোর্টনা হায়খি, কোর্টকী ৱায়েলদা কনাগুম্বা মীওই খরনা কাঙলূপ নাইবগী ৱাফম পুশিল্লকপা লাইবক থীবনি। বম্বুলা থিংবদা কাঙলূপকী ওইবা অখুবা ৱাখল্লোন পুশিল্লকপা চুমদে।

য়ুমশকৈশা নুমিত্তা বম্বুলা য়োল্লিবা মীওইশিংনা দিৱালিগা মরী লৈননা বম্বুলা য়োনবা য়ারোই হায়বা এপেক্স কোর্টকী য়াথং অদু শেমদোকপীনবা পিটিসন অমা ফাইল তৌরকখিবনি।

জষ্টিস রঞ্জন গোগোইনা লূচিংবা বেঞ্চ অমনা হীরম অসিগী মতাংদা জষ্টিস এ কে সিক্রিগা কুপ্না খন্ন-নৈনরগনি হায়রি।

ওক্টোবর ৯দা সুপ্রিম কোর্টনা পীখিবা ৱায়েল অমনা লৈবাক্কী কোনুং দিল্লিদা নবেম্বর ১ ফাওবা মখল অমত্তগী বম্বুলা লৈবা অমসুং য়োনবা য়ারোই হায়না ফোঙদোকখিবনি।

পনবা য়াবদি, সুপ্রিম কোর্টনা লৈবাক্কী কোনুং দিল্লিদা বম্বুলা য়োনবা থিংখিবগী মতাংদা যোগ গুরু বাবা রাম দেবনা হায়খিবনি মদুদি, কোর্টকী ৱায়েল অসি অখন্নবা মীওই কাঙলূপ অমবু শীংনবনি হায়না লৌফম থোকই।

হীরম অসিগা মরী লৈননা টেলিভিজন চেনেল অমদা ৱা ঙাঙখিবদা মমিং লৈরবা যোগ গুরু অসিনা হায়খি, হিন্দু লাইনিং চৎপা মীওইশিংগী চাউরবা কুম্হৈ অমদা খুৎ থিংজিল্লকপগী থৌওং অসি তরাইনা লৌফম থোক্তে। বম্বুলা থিংগদবনি হায়বা কোর্টকী ৱায়েল শৌগৎখিবা কোংগ্রেসকী সিনিয়র লীদর সশি থরুরবু রাম দেবনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখি।

মহাক্না হায়খি, থরুরগুম্বা ৱাখল লৌশিং লৈবা মীওই অমনা অসিগুম্বা মখলগী থৌরাং লৌখৎফম থোক্তে।

দিৱালিগী মাঙওইননা লৈবাক্কী কোনুং দিল্লিদা বম্বুলা অমসুং মৈকাপ্পী য়োনবা নবেম্বর ১ ফাওবা থিংলে হায়না সুপ্রিম কোর্টনা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি। ঈশিং-নুংশিৎ মোৎহনবগা লোয়নননা খুদোংথিবা কয়ামরুম থোরকপা য়াই হায়না চিংনবদগী দিৱালি মমাঙদা সুপ্রিম কোর্টনা অথিংবা অসি থমখিবনি।

# পাকিষ্টান্না ঙমখৈদা অমুক্কসু নোংমৈ কাপশিল্লকখ্রে



জম্মু, ওক্টোবর ১৩ (এজেন্সী):

থংনা থংননা নীনি শুবা নুমিত্তসু ঙসি পাকিষ্টান আর্মিনা জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী পুঞ্চ দিষ্ট্রিক্ট মনুং চন্না লৈবা লাইন ওফ কন্ট্রোল (এল ও সী)দা নোংমৈ কাপশিল্লকখ্রে।

দিফেন্সকী স্পোক্সমেন অমনা হায়খি, অয়ুক্কী পুং ৭.৪৫ তাবদা পাকিষ্টান্না এল ও সী মনাক নক্না লৈবা কৃষ্ণঘাতি সেক্টরদা নোংমৈ কাপ-শিল্লকপদগী ইন্দিয়ানসু খুৎ হন্দুনা নাকল অনী অকনবা মওংদা খুৎ থোক্লখি।

জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী পুঞ্চ দিষ্ট্রিক্ট মনুং চন্না লৈবা এল ও সী মনাক্তা ঙরাং পাকিষ্টান্না সিজ ফায়র থুগাইদুনা নোংমৈ কাপশিল্লকপদা আর্মি জৱান অমা অমসুং মীচম অমা শিখিবনি।

এল ও সীগী কৃষ্ণঘাতি সেক্টরদা ঙরাং অয়ুক্কী পুং ১০.৩০ তাবদা পাকিষ্টান আর্মিনা নোংমৈ রাউন্দ কয়ামরুম কাপশিল্লকখি। ইন্দিয়ন আর্মিনসু খুৎ হন্দুনা নোংমৈ কাপখিবগা লোয়ননা নাকল অনী খুৎ থোক্লখি। থৌদোক অদুদা আর্মি জৱান অমগা মীচম অমগা শিখি হায়না দিফেন্সকী স্পোক্সমেন অমনা হায়খি।

হৌখিবা থা খরগী মনুংদা পাকিষ্টানগী লান্মীশিংনা এল ও সী অমসুং ইন্টরনেসনল বোর্দরদা সিজ ফায়র থুগাইদুনা নোংমৈ কাপশিল্লকপগী থৌদোক তোয়না থোকখিবা লৈখ্রবনি।

জম্মু এন্দ কাশ্মীর আর এস পুরা সেক্টরদা পাকিষ্টাননা সিজ ফায়র থুগাইদুনা নোংমৈ কাপশিল্লকপদা বোর্দর সিক্যুরিটি ফোর্স (বি এস এফ)কী জৱান অমা অশোক-অপন নংখিবা লৈখ্রে।

ঙাইহাক লৈতনা সিজ ফায়র থুগাইদুনা নোংমৈ কাপশিল্লকপদা মীচম অমদি সিক্যুরিটি পার্সনেল কয়া শিখ্রবা মতুংদা লৈবাক অনীগী লান্মীশিংনা পুঞ্চ সেক্টরগী চকন-দা-বাঘতা বট্টালিয়ন কম্মান্দর থাক্কী ফ্লেগ মিটিং পাঙথোকখিবনি।

মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী মীহুৎ কাঙবুনা ঙমখৈদা পাকিষ্টান আর্মিনা মতেং পাংবা টেররিষ্ট কয়া তোয়না চঙলকপা অমসুং মীচম তাবা মফমদা নোংমৈ কাপশিল্লকপগী ৱাফম পুখৎখি।

# দিল্লিদগী মুম্বাই ফাওবা অনৌবা রাজধানি এক্সপ্রেস লৈরগনি

ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ১৩ (এজেন্সী):

দিল্লি অমদি মুম্বাইগী মরক্তা চথোক চৎশিন তৌরিবা মীয়ামদা খুদোং চাহন্নবগীদমক রেলৱেজনা অনৌবা রাজধানি এক্সপ্রেস অমা নিংথৌকাবা নুমিত্তগী লমথারগনি।

রেলৱেজগী ওফিসল অমনা হায়খি, হৌজিক লৈরিবা মুম্বাই রাজধানিদগী অনৌবা ট্রেন অসিনা চাদা ১৯গী চাংদা টিকেটকী মমল হন্থরগনি। ইন্দিয়ন রেলৱেজনা হান্নদগী হৌনা সিটি অনীগী মরক্তা রাজধানি এক্সপ্রেস অনী অমসুং মেল/ এক্সপ্রেস ট্রেন ৩০ হেন্না সার্বিস তৌদুনা লাকখিবনি।

নৌনা হৌদোক্কদৌরিবা রাজধানি এক্সপ্রেস অসিনা মরম ওইরগা সিটি অনীগী মরক্তা চথোক চৎশিন তৌবদা পুং ১৫.৫০ চঙলম্বদগী পুং ১৩.৫৫দা হন্থরগনি। অখন্নবা রাজধানি এক্সপ্রেস অসি চয়োল ১দা অহুল্লক চেনগনি হায়না ওফিসল অমনা ফোঙদোকখি।

সিটি অমদগী অয়ুক ট্রেন তোংদুনা অতোপ্পা সিটি অমদা ওফিস কাবা নংহন্নবগী পান্দমদা অনৌবা এক্সপ্রেস ট্রেন সার্বিস অসি লৈহন্নবা থৌরাং লৌখৎপনি হায়রি। ট্রেন অসিনা কোটা, বাদোদরা অমসুং সুরট ষ্টেসন নত্তনা অতৈ অতোপ্পা রেলৱেজ ষ্টেসন অমত্তদা খাল্লোই।

অমরোমদা, ৱেষ্টর্ন রেলৱেজনা রাজধানি এক্সপ্রেসতা হুরান চিন্থিগী থৌদোক থোকহন্দনবগী পান্দমদা রেলৱে প্রোটেক্সন ফোর্স (আর পি এফ)কী পার্সনেল মতিক চানা শীজিন্নরগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

হন্দক্তা ন্যু দিল্লিদগী মুম্বাই ফাওবা রাজধানি এক্সপ্রেস তোংদুনা চৎখিবা পেসেঞ্জর মঙাগী মপোৎ মচৈ মাঙবা থেংনখিবদগী অনৌবা চেকশিন থৌরাং অসি লৌখৎলকপনি। মীওই তরেৎনা শাবা আর পি এফকী টিম অমনা পুং ২৪ চুপ্পা চেকশিন্না ঙাক শেনবগী থৌরাং লৌখৎলগনি হায়রি।

# হনিপ্রীট ইন্সানবু ওক্টোবর ২৩ ফাওবা জেলদা থম্নবা খঙহনখ্রে

চান্দিগর, ওক্টোবর ১৩ (এজেন্সী):

পঞ্চকুলা দিষ্ট্রিক্ট কোর্টনা ঙসি দেরা সচা সৌদাগী লূচিংবা গুরমীট রাম রহিমনা য়োকচবী হনিপ্রীট ইন্সান অমদি সুখদিব কোরবু ওক্টোবর ২৩ ফাওবা জুদিসল কষ্টদিদা থম্নবা ৱায়েল পীখ্রে।

দিফেন্সকী উকিল এস কে গর্গ নরৱানানা হায়খি, হনিপ্রীট অমসি সুখদিবপু ওক্টোবর ২৩ ফাওবা জুদিসল কষ্টদিদা রিমান্দ পীখ্রে। নুমিৎ ৯নিগী পুলিস রিমান্দ মতম লোইরদুনা ঙসি অকনবা সিক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাংগা লোননা হনিপ্রীট ইন্সান অমদি সুখদিব কোরবু চীফ জুদিসল মেজিষ্ট্রেট রোহিট ৱাতসকী কোর্টতা পুথোরকখি।

মখোয় অনীমক অম্বলা সেন্ট্রেল জেলদা থম্বগা লোয়নননা ওক্টোবর ২৩দা ভীদিও কনফরেন্সকী খুথাংদা কোর্টতা অমুক পুথোক্কদৌরি।

হরিয়ানা পুলিসকী স্পেসল ইনভেষ্টিগেসন টিম (এস আই টি)না ৱাহং-পাউহং চথবদা হনিপ্রীটনা পঞ্চকুলাদা ঈরাং থোকহন্দুনা মীওই ৪১ শিহনখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা ২৫০ হেন্না অশোক-অপন নংহনখিবা হায়না মশাগী মরাল য়াজখ্রবনি।

অশেংবা মমিং প্রিয়াঙ্কা তনেজা কৌবী হনিপ্রীটপু ওক্টোবর ৩দা হরিয়ানা পুলিসনা ফারগা ওক্টোবর ১০ ফাওবা কষ্টদিদা থম্লকখিবনি।



হনিপ্রীটপু উত্তর প্রদেশ, রাজস্থান অমদি হিমাচল প্রদেশনচিংবা ষ্টেটশিংদা পুনবগীদমক পুলিসনা মহাকপু মখা তানা কষ্টদিদা থমগদবনি হায়না কোর্টতা তকশিনখি। মশাগী চহী ৩০ হেল্লবী হনিপ্রীটনা শাংলবা চহী ১০ রোম রাম রহিমগী মনাক্তা লৈরকখি। রাম রহিমবু ফল্লানবগী কেসতা মরাল লৈরে হায়বগীদমক চহী ২০ জেলদা থম্বগা লোয়ননা লুপা লাখ ৩০ ফাইন ওইনা থীনবা সী বি আইগী স্পেসল কোর্টনা ৱায়েল পীখ্রবনি।

অমরোমদা, রাম রহিমনা স্পেসল কোর্টকী ৱায়েল শীংনরদুনা পঞ্জাব এন্দ হরিয়ানা হায় কোর্টতা থাঙ্গৎলকখিবা পিটিসন অমা অথুবা মতমদা হিয়ারিং চথরগনি হায়রি। অদুম ওইনমক লুপা ৩০ ফাইন থীগদবনি হায়বা স্পেসল কোর্টকী ৱায়েল অদুবুদি হায় কোর্টনা শৌগৎপা ফোঙদোকখি।

দেরা সচা সৌদাগী চ্যেরপার্সন বিপাসনা ইন্সানসু ঙসি পঞ্চকুলাদা হাৎনা শুনবগী থৌদোক থোকহনখিবগা মরী লৈননা এস আই টিনা ৱাহং-পাউহং চথখি।

# রাহুলনা কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট ওইরগনি : সোনিয়া

ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ১৩ (এজেন্সী):

অথুবা মতমদা রাহুল গান্ধীনা কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট ওইরগনি হায়না রাহুলগী অপোকপী সোনিয়া গান্ধীনা ফোঙদোকখ্রে।

এন দি টি ভীগা অখন্ননা উনখিবা অমদা কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট সোনিয়া গান্ধীনা হায়খি, মীয়ামগী অপাম্বা মতুং ইন্না অথুবা মতমদা রাহুলনা পার্টি প্রসিদেন্টকী থৌ পুরগনি।

ওল ইন্দিয়া কোংগ্রেস কম্মিটিগী দিল্লি য়ুনিটনা দিৱালি মতুং তারকপদা রাহুল গান্ধীবু প্রসিদেন্ট ওইহন্নবা ৱারেপ লৌখ্রবা মতুংদা সোনিয়া গান্ধীগী ৱাফম অসি ফোঙদোরকখিবনি।

ওক্টোবর ১দা রাজস্থানগী কোংগ্রেস লূচিংবা সচিন পাইলোটনা হায়খি মদুদি, দিৱালি হেক লোইবগা রাহুল গান্ধীনা কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট ওইরবা য়াই।

হৌখিবা সেপ্টেম্বর থাদসু রাহুলনা অথুবা মতমদা পার্টি প্রসিদেন্টকী থৌ পুরগনি হায়বগী ইঙ্গিৎ পীবা লৈখ্রবনি।



নুমিৎ খরনিগী মনুংদা পার্টিগী সেন্ট্রেল ইলেক্সন ওথোরিটি (সী ঈ এ)না কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট সোনিয়া গান্ধী উনদুনা রাহুলবু প্রসিদেন্ট ওইহন্নবগী মতাংদা ৱারী শানরগনি হায়না কোংগ্রেসকী সোর্ছ অমনা ফোঙদোকখিবনি।

সোনিয়া গান্ধীনা কোংগ্রেস ৱার্কিং কম্মিটি (সী দব্লিয়ু সী)গী মীফম কৌরবা মতুংদা ষ্টেট খূদিংমক্তা ওর্গনাইজেসনগী মীখল পাঙথোক্লবা মতমদা লেপ্পগনি। মীখল লোইরবা মতুংদা রাহুলবু পার্টিগী প্রসিদেন্ট ওইনা পুখৎনবা থৌরাং লৌখৎলগনি হায়রি।

ষ্টেট অয়াম্বদা ওর্গনাইজেসনগী মীখল পাঙথোক্লবা থৌরাং লৌখৎপা লোইখিবগা লোয়ননা ওক্টোবর ১৫দা সী দব্লিয়ু সীগী মীফম পাঙথোক্লবা য়াই হায়না পার্টিগী সোর্ছ অমনা ফোঙদোকখি।

ꯆꯥꯡꯌꯦꯡ/**NOTICE**

Kwakta, the 13th October, 2017

**No. STI-14B/Estt.Trg/Memo/2015 :** The Last Semester Exam of "Diploma Course in Sericulture" for the Sericulture Training Institute, Kwakta for the academic session 2016-17 has been declared. The following are the top ten rank holders according to merit are as follows :-

| Sl.No | Roll No. | Name | Address | Rank |
|---|---|---|---|---|
| 1 | 42 | Th. Devika Devi | Keishamthong Elangbam Leikai | 1st |
| 2 | 09 | Kh.Sophiya Devi | Kha Potshangbam | 2nd |
| 3 | 20 | Kh. Bably Devi | Kumbi Bazar | 3rd |
| 4 | 11 | M. Bharti Devi | Moirang College Gate | 4th |
| 5 | 16 | W. Ajanta Singh | Toubul Awang Leikai | 5th |
| 6 | 04 | Elina Kh. | Bishnupur Ward No. 6 | 6th |
| 7 | 10 | Chonmipem Tallanao | Longpi Kajui Village | 7th |
| 8 | 47 | S. Priyadashini Chanu | Nongren | 8th |
| 9 | 06 | Kh. Sanjoy Singh | Salankonjin Part II | 9th |
| 10 | 41 | S. Nomee Devi | Keishamthong Elangbam Leikai | 10th |

The result of the remaining candidates can be seen from the notice board of this Institute. Further, they can collect Provisional Certificate and Mark-Sheet on 16/10/2017 during office hours.

**Sd/- H. Chaoba Devi**
Principal,
Sericulture Training Institute, Kwakta

HL-P/4620/14

**IN THE COURT OF THE DISTRICT JUDGE : IMPHAL WEST : MANIPUR**

**Original (Succession) Suit No. 7 of 2017**

Dr. R.K. Bhabanisana Devi ... Petitioner

- Versus -

Shri Nitish Kumar Thokchom & 3 Ors. ... Respondents

To,
**ALL THE INTERESTED PERSON(S)**

WHEREAS, the above named petitioner has filed a Suit before this Hon'ble Court under Section 372 of the Indian Succession Act, 1925 praying for granting of Succession Certificate in favour of the petitioner for a sum of Rs. 22,08,471.74/- (Rupees twenty two lakhs eight thousand four hundred seventy one and seventy four peisa) only which is lying deposited / left by the decease Thokchom Biren Singh in the Saving Account being A/c No. 0652010002143 of the United Bank of India, Lamphelpat RM College Branch, RIMS Compound, Imphal - 795004.

You are hereby Summoned to appear before this Hon'ble Court on 4th November, 2017 at 10:30 a.m. either in person or by a pleader duly instructed and able to answer all materials question relating to the suit and you are directed to produce on that day the documents upon which you intended to rely in support of your defence.

Take notice that in default of your appearance on the aforesaid date and time, the suit will be heard and determined in your absence according to Law.

Given under my hand and sealed of the Court, on this 9th day of October, 2017.

Seal. **Sd/- Sheristadar,**
By : Mahesh Angom, Advocate
District & Sessions Court, Imphal West, Manipur.

HL-P/2888/13&14

**In the High Court of Manipur at Imphal**

**W.P.(C) No. 725 of 2017**

**In the matter** of Writ Petition under Article 226 of the Constitution of India praying for issuance of a writ in the nature of *mandamus, certiorari* and/or any appropriate writ or order or direction of the like nature that this Hon'ble Court deems fit and proper; The Manipur Civil Service Combined Competitive Examination 2016 (the MCSCCE 2016) which was conducted with patent irregularities, illegalities and malpractices as evidenced from the RTI responses of some candidates with respect to their answer scripts; Tampering and manipulation of marks; absence of signature of examiners, supervisors and scrutinizers; decreasing and increasing of marks arbitrarily; incorrect method of allotting marks; wrong method of tabulation; error in totaling of marks; forged signature of examiners and scrutinizers etc.

Shri Khomdram Ranjan Singh, aged about 36 years, s/o khomdram Tombi Singh, resident of Naoremthong Khullem Leikai, P.O. Imphal West, P.S. Lamphel, Imphal West District, Manipur -795001 & 21 Ors.
...PETITIONERS

-Versus-

The Manipur Public Service Commission (MPSC), represented through its Secretary, MPSC, near 2nd Battalion Manipur Rifles, North AOC, Imphal, Manipur- 795001 & 81 Ors.
...RESPONDENTS

To

| | | |
|---|---|---|
| 1. | The Manipur Public Service Commission (MPSC), represented through its Secretary, MPSC, near 2nd Battalion Manipur Rifles, North AOC, Imphal. Manipur - 795001 | Respondent No. 1 |
| 2. | Loktongbam Leander | Respondent No. 4 |
| 3. | Shenyai Leima Angom | Respondent No. 5 |
| 4. | Khwairakpam Tompok Singh | Respondent No. 6 |
| 5. | Robert Longjarn | Respondent No. 7 |
| 6. | Binita Ngangbam | Respondent No. 8 |
| 7. | Teresa Tangpua | Respondent No. 9 |
| 8. | Tongbram Bimolchand Singh | Respondent No. 10 |
| 9. | Paotinsei Kipgen | Respondent No. 11 |
| 10. | Linda Ningombam | Respondent No. 12 |
| 11. | Lianminthang Samte | Respondent No. 13 |
| 12. | Mohammed Gayasuddin Khan | Respondent No. 14 |
| 13. | T. Khaimenlal Haokip | Respondent No. 15 |
| 14. | T. Joseph Lhungdim | Respondent No. 16 |
| 15. | James Konsam | Respondent No. 17 |
| 16. | Rajkumar Roshan Singh | Respondent No. 18 |
| 17. | Sorokhaibam Sitrajit Singh | Respondent No. 19 |
| 18. | Thokchom Heeraj Anand | Respondent No. 20 |
| 19. | Premandi Okram | Respondent No. 21 |
| 20 | Yengkhom Jivan Singh | Respondent No. 22 |
| 21 | Pooja Elangbam | Respondent No. 23 |
| 22 | Arambam Geetanjali | Respondent No. 24 |
| 23 | Dayachand Sorokhaibam | Respondent No. 25 |
| 24 | Kayenpaibam Sunderbala | Respondent No. 26 |
| 25. | Satkhogin Kilong | Respondent No. 27 |
| 26. | Hungyo Yurreikan | Respondent No. 28 |
| 27. | L. Thanggoulien Khongsai | Respondent No. 29 |
| 28. | S.L. Kamkhohao | Respondent No. 30 |
| 29. | K. Lunlenmoi Vaiphei | Respondent No. 31 |
| 30. | Shonjakhup Haokip | Respondent No. 32 |
| 31. | Shiekh Assif Shah | Respondent No. 33 |
| 32. | Thingbaijam Kamaljit Singh | Respondent No. 34 |
| 33. | Ningthoujam Lamjingbi | Respondent No. 35 |
| 34. | Laishram Bhagat Singh | Respondent No. 36 |
| 35. | Samukcham Jemmy | Respondent No. 37 |
| 36. | Soraisam Anuka | Respondent No. 38 |
| 37. | Atom Limananda Singh | Respondent No. 39 |
| 38. | Laiphrakpam Thomson | Respondent No. 40 |
| 39. | Ngangbam Sanatombi | Respondent No. 41 |
| 40. | Reema Haobam | Respondent No. 42 |
| 41. | Sapam Nirva Devi | Respondent No. 43 |
| 42. | Julia Khuraijam | Respondent No. 44 |
| 43. | Susma Sharma Gurumayum | Respondent No. 45 |
| 44. | Heisnam Romio Singh | Respondent No. 46 |
| 45. | Charan Kumar Asem | Respondent No. 47 |
| 46. | Ngangbam Romia | Respondent No. 48 |
| 47. | Rajshree Yambem | Respondent No. 49 |
| 48. | Rajkumari Sanjukta | Respondent No. 50 |
| 49. | Victoria Huidrom | Respondent No. 51 |
| 50. | Thokchom Sundaraj Singh | Respondent No. 52 |
| 51. | O. Poireingamba Khumancha | Respondent No. 53 |
| 52. | Moirangthem Gautam | Respondent No. 54 |
| 53. | Irungbam Julius Singh | Respondent No. 55 |
| 54. | Sonia Haobijam | Respondent No. 56 |
| 55. | Ningombam Rabichandra Meetei | Respondent No. 57 |
| 56. | Ningthoujam Nishikanta Singh | Respondent No. 58 |
| 57. | Yumlembam Paramveer Singh | Respondent No. 59 |
| 58. | Yumkhaibam Jayalakshmi Devi | Respondent No. 60 |
| 59. | Tayenjam Clinton Singh | Respondent No. 61 |
| 60. | Laishram Tarajeet Singh | Respondent No. 62 |
| 61. | Heisnam Rameshchandra Singh | Respondent No. 63 |
| 62. | Md. Hefajuddin | Respondent No. 64 |
| 63. | S. Tryphena Reikhenamai | Respondent No. 65 |
| 64. | Mohammed Nazmul Huda Khan | Respondent No. 66 |
| 65. | Michael Fimliensang Fimate | Respondent No. 67 |
| 66. | PF Lophro | Respondent No. 68 |
| 67. | Md. Farijuddin Khan | Respondent No. 69 |
| 68. | Aruw Kayina | Respondent No. 70 |
| 69. | Kaongamliang Riamei | Respondent No. 71 |
| 70. | Ramrumpam R, Shimray | Respondent No. 72 |
| 71. | Kasar Chonchui | Respondent No. 73 |
| 72. | Robert Lhungdim | Respondent No. 74 |
| 73. | T. Chinkhansiam | Respondent No. 75 |
| 74. | Gaishingthui Gangmei | Respondent No. 76 |
| 75. | Glory Chingthiankim SP | Respondent No. 77 |
| 76. | Yumnam Dhanendra Singh | Respondent No. 78 |
| 77. | Maibam Gautam Singh | Respondent No. 79 |
| 78. | Purbashree Sanglakpam | Respondent No. 80 |
| 79. | Dinesh Thingom | Respondent No. 81 |
| 80. | Laikangbam Kherju | Respondent No. 82 |

NOTICE UNDER ORDER V RULE 20 C.P.C
(SUBSTITUTED SERVICE)

Whereas the Hon'ble Court vide its order dated 04.10.2017 passed in WP(C) No. 725 of 2017 in the matter mentioned above has been pleased to permit the petitioner to serve notice to the Respondent Nos. 1, 4 to 82 by way of "Substituted Service" through publication in 2(two) local dailies, one in English and one in local varnacular for 2(two) consecutive days returnable i.e. on or before 23.10.2017.

Now, therefore, notice is hereby issued to you by way of substituted service by making publication in the Newspaper requiring you to appear before the Court on or before the returnable date i.e. on or before 23.10.2017 either in person or by a lawyer duly authorized.

If no appearance is made on your behalf, by yourself or by your lawyer or by someone authorized by law to act for you in the aforementioned Case on the date of appearance or before such later date on which the Case may be heard and decided Ex-Parte in your absence.

Signed and sealed by order of the Court this the 11th day of October, 2017.

By : **Mahesh Angom**
C/o Dr. R.K. Deepak, Advocate
Dated : Imphal,
the 11th day of Oct. 2017

**By Order,**
**M.C. Nandi**
Assistant Registrar -I
High Court of Manipur
Imphal (Manipur)

HL-P/4615/13&14